চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# য়াইরিপোক্কী টিম অনিগী মেটচ অমদি সলানথোংগা চম্ফাইগগী মেটচসু গোল মার্জিন মান্নদা দ্রো ওইখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ঃ* ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ১৬ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনিমক গোল মার্জিন মান্নদা ১-১ দা দ্রো চৎনখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা টুলিহল এদুকেটেদ এসোসিয়েসন (টি ঈ এ) য়াইরিপোক অমদি ওল য়াইরিপোক মাষ্টর ফুটবোল এসোসিয়েসন (এ ৱাই এম এফ এ)গা শান্নখিবা গ্রুপ-এ গী মেটচ অদু গোল ১-১ দা দ্রো চৎখি।

টি ঈ এ গী গোল অদু ৩১ শুবা মিনিটতা এম দি জকিরনা এল ঐচ সাইখোগেনগী পাসতা চনখিবনি। এ ৱাই এম এফ এ গী গোল অদুনা ৱাই ইঙোবীনা ৪৯ শুবা মিনিটতা পেনালটিতা চনদুনা ১-১ দা দ্রো ওইহনখিবনি।

এ ৱাই এম এফ এ গী টি সনায়াইমানা ৪৮ শুবা মিনিটতা শাংনা পেনালটি এরিয়া মনুংদা পীরকপা পাস অমা ষ্ট্রাইকর মোসেসনা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা টি ঈ এ গী দিফেন্দর এল ঐচ সাইখোগেন অমদি এম দি নজির অহমদনা অপনবা পীরুবগীদমক রেফরিনা টিম অসিগী মায়কৈদা পেনালটি পীখিবনি। টি ঈ এ গী নাজির অহমদনা পীরিবা পেনালটি অদু মরম চাদে হায়দুনা বোল মখুৎনা পায়শিন্দুনা পেনালটি কাওহন্দনবা হোৎনদুনা মতম মাংহনবগীদমক রেদ কার্দ পীদুনা মেটচ অদুদগী তাহ্লোকখি। অহানবা হাফ্তদি টিম অনিমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈনখি।

টি ঐচ সোমোর্জিৎ, এস ওনিল, টি প্রেমজিৎ অমদি পি ঐচ লনথোইবনা মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

অনিশুবা গ্রাউন্দদা ইম্ফাল ইষ্ট ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন (আই ঈ ভি এফ এ) সলানথোং অমদি কৈথেল মানবী মিলিটরি কম্পনি (কে এম সি) চম্ফাইনা শান্নখিবা গ্রুপ-বি গী মেটচতসু গোল ১-১ দা দ্রো ওইখি।



টি ঈ এ অমদি এ ৱাই এম এফ এ না শান্নখিবা গ্রুপ- এ গী মেটচকী মতাং অমা



আই ঈ ভি এফ এ অমদি কে এম সিনা গ্রুপ-বি গী শান্নখিবা মেটচ

ইম্ফাল ইষ্টকী রঞ্জননা ২০ শুবা মিনিটতা নোভেলসনগী পাসতা গোল অমা চনদুনা মেটচ অসিগী অহানবা গোল একাউন্ট হাংদোকপগা লোয়নননা মায় পাক্লবগী লম্বীদা চংশিল্লম্বসু মিনিট ১০ লৈরবা মতুং মেটচকীনা ৩০ শুবা মিনিটতা কে এম সি গী টি ঐচ সেসটনা হন্দোক্তুনা ১-১ দা লৈহনখি।

অনিশুবা হাফকী শরুক্তা টিম অনিনা মখা তাবা গোল চনবা য়াবা তঞ্জা কয়া ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নদবদগী দ্রো ওইখিবনি। পি ঐচ লনথোইবা, টি প্রেমজিৎ, এস ওনিল অমদি টি ঐচ সোমোর্জিৎনা মেটচ অদু কন্দক তৌখি। হয়েং নুংথিলগী পুং ২ দা গ্রুপ-বি গী কে ভি এফ এ খুরাইগা সদর হিলস কাংপোকপীগা শান্নগনি। পুং ৩.১৫ দা গ্রুপ-সি গী এফ সি ইম্ফালগা ভি এস এ এন নম্বুলমপানগা শান্নগনি।

# সদর হিলসকা চান্দেলগা, চুড়াচান্দপুরগা উখ্রুলগা সেমি ফাইনেলদা থেংনরগনি

FOOTBALL

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ঃ* দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন সদর হিলসকা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন চান্দেলগা অমদি দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন চুড়াচান্দপুরগা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন উখ্রুলগা হয়েং অহানবা হিল দিষ্ট্রিক্ট প্রিমিয়ার লিগ ২০১৪ গী সেমি ফাইনেলদা থেংনরগনি।

হিল দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা দি এস এ চুড়াচান্দপুরনা শীন্দুনা চুড়াচান্দপুরগী পাব্লিক গ্রাউন্দদা টিম ৬ না শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ- বি গী অরোইবা লিগ মেটচতা দি এস এ চান্দেলনা দি এস এ টমেংলোংবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীরগা রন্নর ওইদুনা সেমি ফাইনেল চংখিবনি।

চান্দেলগী মায় পাকপগী গোল অনি অদু জাইলস অমদি কে অগষ্টিননা ৩১ অমসুং ৩৬ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। টমেংলোংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জেমবোয়াংনা ৮৬ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। টমেংলোংগী ৱিকিম ন্যুমাই অমদি চমদানলুংদা রেফরিনা মথংশিৎনা ৫৯ অমসুং ৯০ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখিবগা লায়ননা চান্দেলগী সাইমেনদসু এদিসনেল টাইমগী অনিশুবা মিনিট ৯২ দা য়েল্লো কার্দ অমসু পীখি।

অনিশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ-এ গী অরোয়বা লিগ মেটচতা উখ্রুলনা সেনাপটিবু গোল ৪-০ দা চাওনা মায়থিবা পীরগা গ্রুপ অসিগী রন্নর ওইদুনা সেমি ফাইনেল চংখিবনি।

উখ্রুলগী গোলশিং অদু থেময়ুই, খঙ্গাথর, ৱুংগ্রেমুং অমদি বেনিসন্না মথংশিৎনা ৪,৫৪,৭৭ অমসুং ৮০ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। উখ্রুলগী ৱুঙামিং, ৱুংগ্রেমুং অমদি মসুমথনদা রেফরিনা মথংশিৎনা ৫,৪৭ অমদি ৮১ শুবা মিনিটত য়েল্লো কার্দ অমমম পীখিবগা লোয়নননা সেনাপটিগী হেনরি চৱাংদসু ৫১ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি।

# য়ুথ ৱার্ল্ড বোক্সিংদা ইন্দিয়ানা মেদল অমখক ফংখ্রে চাইনাগী য়ুথ ওলেম্পিক্তা বোক্সর অনি শরুক য়ারগনি

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৪ঃ* বুলগেরিয়াগী সোফিয়াদা পাংথোক্লিবা ৱার্ল্ড য়ুথ বোক্সিং চেম্পিয়নসিপতা ইন্দিয়ানা শুপ্নতগী ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংবা ঙমখি অদুবু য়াম্না লাইবক ফবদি য়ুথ ওলেম্পিক্তা শরুক য়ান্নবা বোক্সর অনি কোটা ফংখ্রে।

ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা মেদল অদু শ্যাম কাকারানা কি জি ৪৯ গী কাঙলুপতা লৌখিবনি। ইন্টর্নেসনেল বোক্সিং এসোসিয়েসনগী ফিরাল মখাদা পাংথোকপা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা কে জি ৫২ কাঙলুপকী সেমি ফাইনেল বাউটতা এসিয়ান চেম্পিয়ন গৌরপ সোলাংকিনা ব্রজিলগী কারেস সিলভাবু য়াম্না অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবদা ২-১ দা মায়থিবা পীরগা য়ুথ ওলেম্পিক য়াওনবা অহুমলক হোৎনরকপা অদুগী মহয় ঙসি য়ানবা ফংখ্রে। মমাংদা য়ুথ ওলেম্পিক য়াওনবগীদমক অনিরক হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমদনা লাকখিবনি।

হরিয়ানাগী বোক্সর অসিনা ব্রাজিলগী বোক্সরগা লম্বা তৌনখিবা অদুদা মহাক্না হেন্না পোইন্ট লৌবা য়াবগী তাঞ্জা অনিরোম ফংলবসু পোইন্ট লৌবদি ঙমহৌখিদে।


চাইনাগী নাংজিংদা চহি অসিগী অগষ্ট থাদা পাংথোক্কদৌরিবা য়ুথ ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাইদ ওইরবা সোলাংকিনা ফোংদোকখিবদা বাউট অদুগী মনুংদা চমন্নবা খরদি ময়োক্লরবসু থাজবা অমগা লোয়নননা



য়ুথ ওলেম্পিক্তা শরুক য়াবা ফংনবা মহাক্কী হৈজবা টৈক্নিকশিং পুথোক্তুনা শান্নখিবনা মায় পাকপা ঙমখিবনি হায়খি।

হন্দক্কী য়ুথ ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ অসিদা সেমি ফাইনেলগী থাক ফাওবা য়ৌবা বোক্সর পুম্নমক য়ুথ ওলেম্পিক্তা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা লৈরি। ইন্দিয়ান টিমগী কোচ জি মনোহরননা ফোংদোকখিবদা গৌরবনা মহাক্কী লম্বাগা রাউন্দ অহুম লম্বা তৌনখিবদা মহাক্না পীখিবা পার্ফোমেসন অদু থোইদোক্লা অপেনবা ওইখিদ্রবসু য়ুথ ওলেম্পিক্কীদমক ক্বালিফাইদ ওইরকপগীদমক্তদি হরাওবা পোকই। বোক্সর মশামক ফিজিকেল্লি ফিটনেস ওইদনা অমদি নারগা লৈবনা হেন্না ফজবা পার্ফোমেন পীরম্বা য়াবদুগী চাং খরাদি হন্থখি। নীংশিংবা য়াবদি ২০১২ আরমেনিয়াদা পাংথোকখিবা মমাংগী ইদিক্সনদদি সিলভর অমা ব্রোঞ্জ অমা ফংবা ঙমখিবনি।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপকী ওইনা খ্বায়দগী ফজবা পার্ফোমেন্সনা ইং ২০১০ ভিকাস কৃষ্ণন্দনা গোল্ড মেদল লৌখিবা অদুনা ওইরি।






# নিভসো কপতা পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপম মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ঃ* নিভসো কৈবিনা শীন্দুনা ফ্রেন্স য়ুনিয়ন ক্লব উয়ুমপোক্কী গ্রাউন্দদা চথরিবা মরিশুবা নিভসো ক্লব ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-দি গী মেটচতা পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপম মায় পাকখ্রে। গ্রুপ- এ গী মেটচতা সাইপো হৈককমপাল অমদি এফ য়ু সি উয়ুম্পোক গোল ২-২ দা দ্রো ওইখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ-দি গী মেটচতা পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপমনা এস এস ৱাই সি সওম্বুং শাইরেম্বু গোল ৩-২ দা থোইখ্রে। পি আর ৱাই এ গী গোলশিং অদু সনাতোম্বনা ৯ অমদি ২৮ শুবা মিনিটতা অনি অমদি অজিৎকুমারনা ১৭ শুবা মিনিটতা অমা চনখিবনি। এস এস ৱাই সিগী গোল অনিমক অদুনা দিহেম্পুনা ৩৪ অমদি ৩৬ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। পি আর ৱাই এ গী রোমিওদা ৩৮ শুবা মিনিটত রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি।

অনিশুবা গ্রাউন্দদা এফ য়ু সি অমদি সাইপোনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী এফ য়ু সি গী গোল অনি অদু অমর্জিৎ অমদি থোইবনা ১০ অমসুং ১৩ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। সাইপোগী গোল অনি অদুনা চাওবা অমদি সান্তানা ২৮ অমসুং ৫০ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

হয়েং নুংথিলগী পুং ১.৩০ দা গ্রুপ-এ গী পি এফ এ লম্ফেলগা এস কে ৱাই সি সাদুকোইরেংগা অমদি নুংথিল পুং ৩.০৫ দা গ্রুপ-বি গী ৱাই এল ৱাই সি নোংশুমগা রোবিন জেৱেলরি পুংদোংবমগা শান্নগনি।

# টি ভি এ থৌবাল মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ঃ* ভেটরান টিম নম্বোলনা শীন্দুনা খা-জিরি মমাং লৈকায় বোল্লিবোল গ্রাউন্দদা টিম মরিনা শরুক য়াদুনা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ভেটরান বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টি ভি এ থৌবালনা কে পি এল ইম্ফাল ৱেষ্টপু সেট ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

টি ভি এ অমদি কে পি এলগী মেটচ অদুদা টিম অনিনা লৌনখিবা পোইন্টশিংদি মথংশিৎনা (২৫-১২, ২৫-২৩, ২৪-২৬, ১৮-২৫, ১২-১৫) নি।

হয়েং নুংথিলগী পুং ২ দা অহুমশুবা মেটচ ওইনা এস ভি টি ওইনামগা কে পি এল ইম্ফালগা শান্নগনি।












## EMPLOYMENT NEWS

### L.G. MOTORS

| Name of Post | Qualification | Age | Branch | No. of Post |
|---|---|---|---|---|
| 1. Asst. Manager Banking | BCom/MCom(Com.Know.) | 24 to 35 yrs | H.Q. | 1 |
| 2. Accountant | BCom/MCom(3 Year Exp.) | 24 to 30 yrs | H.Q. | 1 |
| 3. Computer Operator | 10+2 Above + DTP (Exp.) | 20 to 28 yrs | H.Q. | 1 |
| 4. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowledge) | 20 to 28 yrs | Thoubal | 2 |
| 5. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowledge) | 20 to 28 yrs | Sekmai | 2 |
| 6. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowledge) | 20 to 28 yrs | Lamlai | 1 |
| 7. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowledge) | 20 to 28 yrs | Pangei | 1 |
| 8. Asst. Manager | 10/10+2 (Computer Knowledge) | 20 to 28 yrs | Patsoi | 1 |
| 9. Iron Soldering Mistry | VIII (3 Years Experience) | 20 to 28 yrs | | 1 |
| 10. Building Boro Mistry | 10 Years Experience | | | 3 |
| 11. Jugali | 1 Years Experience | | | 10 |
| 12. Security (Unmarried) | 10/10+2 | 18 to 25 yrs | H.Q. | 1 |
| 13. Driver (Tata/Car/Jeep) | 3 Years Experience | 20 to 28 yrs | H.Q. | 1 |
| 14. Grade 4 | VIII Pass | 28 to 40 yrs | H.Q. | 1 |
| 15. Domestic Helper (Male) | | 18 to 30 yrs | | 1 |

**N.B.** Post খুদিংমক ওফিসশিং অসিগা নক্নবা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংনা হেন্না খুদোংচাবা পীগনি। Post অসিবু পাম্বীবা মীওইশিংনা Bio-Data, Contact No., Qualification Certificate অমসুং Experience শিং লোয়নবীরক্কদবনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক হেদ ওফিসতা লাকপীরগা খঙবীরবা য়াগনি।

*Office Hour : 9.00 a.m. to 4 p.m.*
*Sunday / Gen. Holiday Will be Closed*

*Sd/- Manager*
**L.G. MOTORS**
Khagempalli Huidrom Leikai (H.Q)
Near Yumjao Lairembi Maning, Imphal West, Manipur

Branches at : Thoubal Near Okram Lamkhai, Bishnupur, Samurou Bazar Opp. PHC, Patsoi Opp. Patsoi Police Station, Lamlai Opp.Lamlai PS, Pangei Opp. 1st Gate M.P.T.C. and Sekmai Koujengleima, Kakching Opp. Kakching Fire Service


Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*